# নোংজুথা মতমদা ব্রোইলরশিং শেন্নবা

**সরাংথেম জেসমারানি**

নোংজু থা মতমদা ব্রোইলরশিং অসি ফজনা চেকশিন্না য়োকহৌদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংহল্লি। মরম অসিনা মখাদা পীজরিবা কাঙলোন অসি নিংথিনা পায়খৎপীরগা চেকশিন্না শেন্নবীবনা য়েন শিবগী চাং য়াম্না হন্থে।

ক) নোংজুথা মতমদদি শিবগী চাংসি ৱাংবতা নত্তনা ওমচান্নবা অমসু য়াওই। মরম অসিনা লায়না থোকহনবা ঙম্বা মহীক্কী মশীংসু ৱাংহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লায়না কয়া থোকহল্লি। মরম অসিনা য়েন থল্লিবা য়েনগোনশিংসি ফজনা লূ-নান্না চেকশিন্না থম্বীবা দরকার লৈ।

খ) য়েনগোনগী সাইদ ৱালশিংসি নোং চুরকপা মতমদা নোং হাইজিন্দনবা পোলিথিন সীট অমনা মকোন অকোয়বদা খাজিনবীগনি। নোং হাংলকপা মতমদনা পোলিথিন সীটশিংদু হাইগৎপীরগা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবীগদবনি।

গ) করিগুম্বা মকোন্দু নোং হাইজিন্দুনা চোৎপা তারগদি মদুদগী লায়না কয়া অমা খুদম ওইনা হায়রবদা Coccidiosis, Enteritis, Worm Infestation Diarrhoea অসিনচিংবসি থোকহনবা ঙম্বা মহিক ময়াম অমগী মশীং য়ামহল্লি। করিগুম্বা মতমদসু নোং হাইজিন্দুনা য়েনগোন্দু চোত্তুনা য়েন্থিশিং অদু মপাক-মপাক নপশিন্দুনা লৈবা তারবা নৎত্রগা য়েনগোন্দু চোৎখিবা তারগসু য়েনগোন্দু কংনবা অমদি মহীক শিনবা য়েনগোন্দু শুনু চাইবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা পাম্বে অমা ওইহল্লি।



ঘ) য়েনগোনগী অকোয়বদা মিটর ৩ মুক্কী এরিয়াদা নাপীনচিংবা অশং-অমান থাবিরোইদবনি। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

ঙ) নোংজুথা মতমদদি তীল কাং অমদি হয়িংগী চাংসি অদুক্কী মতিক ৱাংই। মসিনা লায়না পোকহনবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা অসিগুম্বা হয়িং, তীল, কাংদগী য়ারিবমখৈ ঙাকথোক্নবা দিসইনফেক্টেন্ট ময়াম অমা শীজিন্নবীগনি।

চ) য়েনগোনগী অকোয়বদা কোমগুম্বা নৎত্রগা ঈশিং তুংগদবা জগা অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিদা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈরগদি মহীক ময়াম অমা পোকহন্দুনা লায়না কয়া শন্দোক্নবগী পাম্বে অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ময়াম অসি মকোন মনাক্তা থম্বীরোইদবনি।

ছ) নোংজুথা মতমদা য়েনদা পীথক্কদবা ঈশিং অসি মহিক মতাই য়াওবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা য়েন্দা পীথক্নবা ঈশিংসি ব্লিচিং পাওদর নৎত্রগা মসিগা মান্নবা হীদাক শীজিন্নবীরগা পীথকপীগদবনি।

জ) য়েনগোন কূপ্পা জিঙ্ঘ অসি অতোপ্পা পোৎলম কয়া শীজিন্নদুনা মকোন্দগী চুমথরকপা ঈশিং অসি নলাদা ফজনা চেন্থহনবীগনি।

ঝ) নোংজুথা মতমদদি হ্যুমিদিটি য়াম্না ৱাংবা মরম্না পীজগদবা মচিঞ্জাক্তা কোকফাই কাবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা পীজবীগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিং অসি কোকফাই শুজা কাদনবা মফম চাবা জগা অমদা থম্বীগনি অমদি নুংশা শাবা মতমদা পুথোকপীরগা নুংশাদা ফৌদোক্লগা পীজবনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি। কোকফাই কাবা মচিঞ্জাক য়েনদা পীজরগদি Aflatoxecosis, Diarrhoea হায়রিবা লায়না অসি থোকহল্লি।

মথক্কী কাঙলোন কয়া অসি শীজিন্নদুনা হেন্না শেন্দোং লৈনা অমদি শিবগী চাং হন্থহন্দুনা য়েন য়োকপীগনি।

# প্লান্ট হোপ্পর (ফৌগী ৱাহীক) দা শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিং

**ডা: ৱাইখোম জিতেন**

ফৌ পাম্বীনা মচা পোকপা লোইরক্তুনা মশা তাশিনবা মতমদগী হৌরগা লোক্লমদাই ফাওবগী মনুংদা ফৌদা তাবা লৌমীশিংনা য়াম্না নুংশা থীজবা তীল মখল অমা হায়রবদি প্লান্ট হোপ্পর (ফৌগী ৱাহীক) নি। তীল মখল অসি ফৌ পাম্বীগী ঈশিংগা তাইনবা মফমদা য়োমশিন্দুনা লৈরগা মহী চূপ্তুনা ফৌ পাম্বীবু কংশিলহল্লি। তীল অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা অচুম্বা লৌউ কাঙলোনশিং পায়খৎপনা করিগুম্বা তীল মখল অসিনা লৌফমদা তারকপা তারবদি মখাদা পীরিবা হীদাকশিং অসিগী মনুংদগী অমা লৌবীরগা খনবীরগা তীল মখল অসিবু মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙমগনি। পীজগদৌরিবা হীদাকশিং অসি মওং মরীলবু চুম্না কাপ্লবদি হীদাক মখল অমনা হেক্তা তীল অসিবু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি। কনাগুম্বা লৌমীশিংনা সিষ্টেমিক ওইবা হীদাকশিংদা কন্টেক্ট মথৌ তৌবা হীদাক অমা য়ানবগী ৱাফম তোয়না পল্লি। মসি তৌবীরোইদবা থবক অমনি। হীদাকশিং অসি য়ানশিন্নবা মতমদা হীদাকশিংগী ময়াক মাঙখিবা নৎত্রগা ফৌ পাম্বীদা শোকহনবা নৎত্রগা হোপ্পরবু হেন্না থুনা অমুক হন্নকপদা মতেং পাংবা (হোপ্পর রিসর্জেন্স) ওইহনবা য়াই।

ক) Imidacloprid 17.8% (Confidor, Control, Tatamida) :- হীদাক মখল অসিনা তীলশিংদা নর্ভ সেলশিংনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা অপনবা পীদুনা তীলশিংবু শিহল্লি। হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ১৫-২০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক্কা য়ানশিন্দুনা শেল্লবা ঈশিং লিটর ১২০দগী তাদনা কাপ্পীগনি। পাম্বীশিংদা হীদাক মখলসিগী হূগী ময়াক নুমিৎ ১৪০নি মুক লৈহল্লি।

খ) Imidacloprid 70%Wg (Admire Leopard) :-হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ২ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ১৬তগী তাদনা কাপ্পীবদা হোপ্পরদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

গ) Acephate 50% + Imidacloprid 1.8% SP (Lancer Gold) :-হীদাক মখল অসি মহী চূপ্পা তোঙান তোঙানবা তীল কয়া লাকশিন্নবা শীজিন্নবগা লোয়ননা ফৌদা তাবা হোপ্পর (ফৌগী ৱাহীক) বুসু মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙম্বা হীদাক্নি। ঈশিং লিটর অমদা হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৩ হায়বদি ঈশিং লিটর ১৫দা হীদাক গ্রাম ৪৫ য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক গ্রাম ২৭০দগী তাদনা কাপ্পীবদা হোপ্পরদগী লাকশিনবা ঙম্মী।

ঘ) Ethiprole 40% + Imidacloprid 40% (Glamour) :-হীদাক মখল অসিনা তীলশিংগী শীংলি-নাওরিগী মথৌ পাঙথোকপদা অপনবা পীদুনা তীলশিংবু শিহল্লি। ঈশিং লিটর ১৫দা হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৫ য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক্কা য়ানশিন্নরবা ঈশিং লিটর ১২০দগী তাদনা কাপ্পীদুনা হায়বদি হীদাক গ্রাম ৪০ শীজিন্নবীদুনা হোপ্পরবু মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙমগনি। হীদাক মখল অসিগী হূগী ময়াক নুমিৎ ১৫নিমুক ফৌদা লৈ।

ঙ) Thiamethoxam 25% WG (Actara, Tropid) :- হীদাক মখল অসিনা তীলশিংবু চানীং-থক্লিংবগী ইহুল ফাওহন্দদুনা তীলশিং অদু শিহল্লি। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৫না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্পতা য়ানবীরগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা অসিগুম্বা পম্প ৮দগী তাদনা কাপ্পীগনি। হীদাক অসিনা পাম্বীশিংদা হূগী ময়াক নুমিৎ ১৪নিগুম্বা লৈহল্লি।

চ) Buprofezin 15+Acephate 35 WP (Tapuz) :- হীদাক অসিনা তীলশিংনা চাওখৎপদা চঙবা থৌওংশিংদা অপনবা পীবগা লোয়ননা নর্ভ সেলশিংনা মশাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাউ ফাওবদা থিংজিল্লি। অসুম তৌবদগী তীলশিংগী মনা পঙথরকই অমসুং শিহল্লি। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ২৫০না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প ৬ থোকপীরগা লৌ লৌশেল অহুম কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা কাপ্লবগীদমক হীদাক মখল অসি গ্রাম ৩২০গুম্বা চঙগনি। হীদাক মখল অসিনা ফৌ পাম্বীশিংদা হূগী ময়াক নুমিৎ ২০নি মুক লৈহল্লি।

ছ) Buprofezin 20+Acephate 50% (Odis) :- হীদাক মখল অসিনা তীল হাৎপগী মওংদি মথক্কী হীদাক অসিগা মান্নে। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৩০গা ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীগনি অদুগা গ্রাম ২৫০না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প ৮ থোক্লগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা কাপ্পীগনি। হীদাক মখল অসিসু ফৌবু নুমিৎ ২০নি মুক হূ চেলহল্লি।

জ) Pymetrozin 50% (Chess, Eltra, Across-X) :-হীদাক মখল অসিনা তীলশিংগী খুদুংগী মখোঙশিং পঙথহন্দুনা ফৌদা নপ্পা ঙমহন্দে, চানীং থক্লিংবা ফাওহন্দে অমদি তীলশিংবু মখা তানা মরূম কোকপদা অথিংবা পী। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ১২/মিলিলিটর ১২না ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক গ্রাম ৯৬ কাপ্পীগনি। হীদাক মখল অসিনা ফৌ পাম্বীশিংদা হূগী ময়াক নুমিৎ ১৯নি মুক লৈহল্লি।

ঝ) Ethiprole 10.7%+Pymetrozine 40% (Crubix-Pro) :- হীদাক মখল অসিনা তীলশিংগী খুদুংগী মখোঙ পঙথহল্লি অমদি পাম্বীদা তোংবা ঙমদদুনা লৈমায়দা তাহল্লি অমদি চারা হেন্দুনা তীলশিং শিহল্লি। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ১ ঈশিং লিটর ১দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা ঈশিংগা য়ানশিন্নদুনা শেল্লবা হীদাক লিটর ১২০গুম্বা কাপ্পীগগিন। হীদাক মখল অসিনা হোপ্পর য়েক্নবশিংবুদি শোকহন্দে।

ঞ) Clothianidin 50 WDG (Dantotsu) :- হীদাক অসিনা তীলশিংবু নর্ভ সিষ্টমদা অপনবা পীদুনা তীলশিংবু শিহল্লি। হীদাক মখল অসি মীওইবদা শোকহনবগী চাং য়াম্না নেম্মী। মরম অদুনা ফৌনা মুল্লমদাই য়ৌরক্লবদা তীল হীদাক মখল অসি শীজিন্নবদা মীওইবদা শোকপগী চাং হন্থে। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৩ ঈশিং লিযর ১৫দা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। হীদাক মখল অসিগী হূগী ময়াক ফৌদা নুমিৎ ১৫নি মুক লৈ।

ট) Acephate 95% SG (Hunk) :-হীদাক মখল অসি ফৌ পাম্বীদা তাবা হোপ্পর খক নত্তনা মনা কোনশিনবী, ময়োল চিকপীনচিংবা তীলশিংদসু কান্নবা পীবা হীদাক্নি। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ১ ঈশিং লিটর অমদা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা অশেন্বা হীদাক মহী লিটর ১২০দগী তাদনা কাপ্পীদুনা হোপ্পরদগী লাকশিনবা য়াই। হীদাক অসিগী হূগী ময়াক নুমিৎ ৩০নি মুক ফৌদা লৈগনি।

ঠ) Hortimin :-হীদাক মখল অসিনা তীলশিংগী মরূম কোকপদা অপনবা পীদুনা মশীং হন্থহল্লি। ঈশিং য়াম্না লৈবা লৌফমদদি মথক্কী হীদাকশিং অসি কাপ্পীরবসু হোর্টিমিন কাপ্পীদুনা লেমহৌবা তীলশিং মশীং হেনগৎহন্দনবা হোৎনবীগদবনি। হীদাক মখল অসি ঈশিং লিটর অমদা মিলিলিটর ৩-৫ ফাওবা য়ানবীরগা লৌফমদা কাপ্পীগনি।

ড) Fipronil 40% + Imidacloprid 40% WG (Police) :-হীদাক মখল অসিসু হোপ্পর অমসুং মনা-মউ চাবা তীলশিংবুসু লাকশিনবা ঙম্বা হীদাক মখল অমনি। লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৪০বু ঈশিং লিটর ১২০দা তুমহল্লগা কাপ্পীগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা হীদাকশিং অসি নত্তবা হোপ্পর (ৱাহীক্তা) শীজিন্নবা য়াবা অতোপ্পা হীদাকশিংসু লৈতবা নত্তে অদুবু লমদম অসিদা ফংবা অদুগা কান্নরে খঙলবা হীদাক মখলশিং অসিদগী অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা শীজিন্নবীবা য়াই। নীংশিংবীগদবদি ফৌগী লৈরিবা ষ্টেজ অদু য়েংলগা হীদাক খনবীগদবনি। অদুগা হীদাক অমা কাপখিবদগী লেমহৌবা তীলশিং হাৎনবগীদমক অতোপ্পা হীদাক্কী মচল মান্নদবা হীদাক অমা কাপ্পীগনি। মমিং মান্নদে হায়দুনা হীদাক্কী মচল মান্নবা (খুদম ওইনা Chess, Eltra, Across-X) হীদাকশিং শিন-শিন্দুনা কাপ্পীরোই। হোপ্পরগী হীদাক কাপত্রিঙৈ লৌফমদা লৈবা ঈশিং য়ারিবমখৈ থাদোকপীগদবনি। লৌরিদা লেপ্পলগা লৌয়াই য়ৌনবা পম্প মচিন হন্দোক্লগা পেচকারি কাপ্পগুম্না কাপ্লবদি হীদাক মখল অমত্তনা হোপ্পর ফহনবা ঙম্লোই। হোপ্পর লাকশিন্নবগীদমক হীদাক য়াওরবা ঈশিং মহী লিটর ১২০ হায়বদি লিটর ১৫ চনবা পম্প ৮দগী তাদনা লৌফমদা কাপ্পীগনি। হীদাক শিন-শিন্দুনা হোপ্পরগীদমক হীদাক কাপ্পীবদা ফৎত্রবদি হীদাক কাপ্পা মী অমদি হীদাক কাপ্পবগী খূৎলায়দু শিন্দোকপীয়ু। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮

১) **“লমুক্লরবী চনুরা”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) ‘THE TIMEBOMB AND OTHER POEMS’ হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“শমজিরৈ অমগীদমক”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৪) **‘থম্মোয়না লৈ ওল্লকঔে’** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মিং করি কৌবগে?

৫) **“খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৩) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ফোর লাই হরাওবুং মনাক - (১,২,৩)
৪) দোলি ময়াংলম্বম, খুরাই হৈগ্রু মখোঙ - (১,৩)
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
৬) তোংব্রম সুনিতা, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় - (১,৩)
৭) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৬গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৯৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭কী পাউখুম

১) **“সাহিত্য অমসুং থিয়েটর”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
**:- অইবা - লৈমপোকপম দামোদর, লাইরিক্কী মখল - ক্রিটিকেল এসে, ফর্স্ট এদিসন : এপ্রিল ২০১০।**

২) **“শাবী লাউ লাউ”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, অইবা - শশীকুমার য়ুরেম্বম, অহানবা ফোঙবা : মার্চ ১৯৯৬।**

৩) "Behind A Curtain" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অমদগী ইংলিসতা ট্রান্সলেসন তৌবনি। ট্রান্সলেসন তৌরিবা অইবা অসিগী মমিং করি কৌবগে? **:- ট্রান্সলেসন তৌবা অইবা - কে কুল্লধজ, ফর্স্ট পব্লিশ : ২০১০।**

৪) **‘শকখঙদবী’** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - হাওবম সত্যবতী খুন্দ্রাকপম (ও), লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা - ১৯৮৪।**

৫) **“... মৈতৈগী নিংথৌরোন লম্বুবা, মোইরাং নিংথৌরোনগুম্না অচৌবা লাইরিক অমমক ওইদ্রবসু থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক অমনি।”** লাইরিক অসি করি লাইরিকনো? **:- লাইরিক্কী মমিং - চেংলৈরোন, অইবা - শ্রীনোংমাইথেম মনাওয়াইমা সিংহ, অহুমশুবা ফোঙবা : সেপ্টেম্বর ২০০০ ইং।**

# অফবা মরূ অমদি মরূদা য়াওবা মহীক (পেথোজেন্স) শিং

**লোংজম বোরিস**

ৱাহৌদোক : অফবা মরূ হায়বা অসি লায়না-তীলনা হায়বদি ফঙ্গি (কোকফাই শুজা), বেক্টরিয়া, ভাইরস অমদি নেমাটোদস চেন্দবা মরূশিং অদুনি। অফবা মরূ হায়বা অসি মরূগী মগুনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। পাম্বীনা লায়না তীলনা চেন্দনা অমদি চাথোক লৈনা হৌবদা অফবা মরূগী থৌদাং চাউনা লৈ। মরূদা ট্রিটমেন্ট তৌবদা অমদি মরূ পুথোকপা মতমদা কাঙলোন চুম্না তৌবা অসিনা লায়না তীলনা চেলহন্দবদা নত্তনা চাথোক লৈহনবদসু য়াম্না চাউনা মরু ওই।

লৌমীশিংনা মগুণ লৈবা মরূশিং পুথোকপদা য়েংবা মগুণ খরা :

• থানবা মরূশিং অদু মশক অমদি ধারা (parents, source) খঙবা ভেরাইটিশিং ওইবা।

• মরূশিং অদুনা থাবদা চাং মান্ননা অমদি লায়না তীলনা, নাপী মরূনচিংবা য়াওদনা নিংথিজনা হৌবা ঙম্বা।

অফবা মরূ হায়বা অসি চাথোক ফহনবা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমনি। লৌমীশিংনা কুম অমগী মরূশিং অদু লোকশিন্দুনা থম্লগা ওল্লকপা চহীদা থানবা থা কয়া, চহী কয়া লীদুনা থমজিল্লি। মরূ লীদুনা থম্বা মতমদা লায়না, তীলনা থোক্তনবা ফঙ্গি কয়ানা মাঙহন তাকহনবা থোকহন্দুনা, মরূগী মতোন চোঙবা, মশক অমদি মরূদা য়াওবা বাইওকেমিকেল প্রোপর্টিশিং থুগাইদুনা মরূশিং অসিনা নীংথিজনা মতোন চোংবা হৌবা ঙমহন্দে অমদি চাথোক হন্থহল্লি।

মরূদা য়াওবা লায়না পোকহনবা মহীকশিং (seed borne pathogens) না পীবা অমাঙবশিং :

**১) মতোন চোংবা হন্থহনবা :** মরূদা য়াওবা লায়না পোকহনবা মহীকশিং (seed borne pathogens) শিং অসিনা মরূশিংগী ময়োন চোংবা ঙম্বগী মপাঙ্গল হন্থহল্লি। হায়রিবা মহীকশিং অসিনা মরূগী এম্ব্রাইওদা লান্দাশন্দুনা হাত্তোকই অমদি অসিগুম্বা মরূশিং অদুনা থাবা পাম্বীশিং অদু লৌফমদা নিংথিজনা হৌবা ঙমদে। খুদম -Brown spot disease ফৌনা মকুপ লাংবী লায়না) নাবা ফৌ পাম্বীশিংদা মরূগী glumes শিংদা Dreschelera oryzae কোকফাইগী spores অমদি sporophores শিংনা কুপশিনবা; Black scurf of potato (Rhizoctonia solani) না শোকহল্লবা আলুশিং অসি থাবা মতমদা নিংথিজনা হৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

**২) প্রোসেসিং ক্বালিটিদা হন্থরকপা :** মরূদা য়াওবা লায়না পোকহনবা মহীকশিং (seed borne pathogens) অসিনা শোকহল্লবা মরূশিং অসি লোক্লবা মতুংদা মিলদা তকথোকপা অমদি আটা, মায়দা অমদি থাওগী মওংদা তকথোকপদা চাউনা অমাঙ অতা থোকহল্লি। Mycotoxins শিং অসি কোকফাইশিংনা পুথোকপা অদুগুম্বা হূ চেনবা metabolite শিংনি। মিং ওইনা পল্লবদা **Aflatoxin, rubratoxin, tremotins, zearalenone, trichotheone, patulin, citreoviridin, citrinin, ochratoxin etc.** মথক্তা পঞ্জখ্রিবা mycotoxins শিং অসি মীওইবনা অমদি শা-ষণনা চানবা পোৎলমশিংদা য়াওখ্রবদি mycotoxicosis হায়না খঙনবা লায়না থোকহল্লি। **Alimentary toxic aleukia** অমদি **yellow rice toxin** হায়রিবা লায়না অসি লাইচৎ ওইনা রুসিয়া অমদি জপান্দা শন্দোরক্লি।

**Seed borne pathogen মতৌ করম্না শন্দোরকপা :** Seed borne pathogens শিং অসি মরম অহুম থোক্লা শন্দোকই।

১) Externally seed borne pathogen : লায়না থোকহনবা মহীকশিং অসি মরূগী মথক থংবা শরুক অমদি মরূগী মখা থংবা শরুক্তা লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা spores sclerotia, mycelium, bacteria, nematodes, virus particles etc. মিং ওইনা পল্লবদা *Alternaria, Fusarium, Helminthosporium, Stemphylium, many smuts,* some rusts fungus etc.

২) Internally seed borne pathogens : লায়না শন্দোকহনবা ঙম্বা মহীশিং অসি মরূগী টিস্যু মনুংদা লৈ অমদি মপান্দগী য়েংবদদি মশা-মউ ফবা মরূ ওইনা অদুমক উগনি। অদুবু মহীকশিং অসিদি মরূগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা হায়বদি coat, testa, pericarp, endosperm অমদি embryo দা লৈ। মহীশিং অসিনা শন্দোকপশিংদি spore, cell, tissues, pycnidia, nematodes নৎত্রগা virus particles নচিংবা শন্দোকই।

৩) Concomitant contamination: হায়রিবা contaminant শিং অসিদি অতোপ্পা পাম্বীগী মরূ, পাম্বীগী শরুক, কোকফাইগী মরূনচিংবশিং অমদি অতোপ্পা পাম্বীগী শরুকশিংনা শন্দোকপা অসিনা ওইগল্লি। অসুম্না শন্দোকপা অসিনা হেন্না থুনা অমদি শাথীনা মহীকশিং অসি শন্দোরকপনা হেল্লি। ●